# ইথিওপিয়াগী ওরোমিয়া রিজনগী ঈরাংদা ৬১ শিরে



অদিস অবাবা, ডিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি):
ইথিওপিয়াগী ওরোমিয়া রিজনদা তোঙান-তোঙানবা ইথনিক গ্রুপশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্নবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬১ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি। কুমজা ২০১৫ অমসুং ২০১৬ তা প্রোভিন্স অদুদা চথুখিবা শাথীরবা প্রোটেষ্টশিংদসু মীশি-মীনা কয়া থোকখি হায়রি।

লমদম অদুগী হরি গুদিনা অমসুং দারো লেবু ডিষ্ট্রিক্টশিংদা ইথনিক সোমালি এটেক্করশিংনা হৌখিবা শগোলশেনদগী ইথনিক ওরোমোস ২৯ হাৎখ্রে হায়না রিজনেল স্পোক্সমেন অসিসু অরোগা বিতেসোনা ফোঙদোকখি।

মীশি-মীনাগী ঈরাং অদুনা অতোপ্পা ডিষ্ট্রিক্ট অমদা লমন খুম্বগী এটেকশিং চথুহনখিবগা লোয়ননা সোমালি ৩২ শিখি। মখোয় মমাঙগী ঈরাংশিংগী মতুংদা এরিয়া অদুদা চঙজফম লৌখিবনি।

লমদম অদুদা মরাল লৈবশিংবু চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনরি হায়না স্পোক্সমেন অমনা হায়খি।

খ্বাইদগী নৌবা ঈরাংদু থোকখিবগী মরম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু মদু ওরোমিয়াগী সেলেনকো টাউনদা প্রোটেষ্ট কয়া চথুখিবা মতুংদা থোক্লকখিবনি। ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মীয়াম তানখাইনবা হোৎনখিবা লান্মীশিংনা ইথনিক ওরোমোস ১৬ কাপ্পুনা হাৎখি।

কনাগী ওর্দরনা মিলিটরি ডিপ্লোই তৌখিবনো হায়বা ঐখোয় খঙখিদে। অসিগুম্বা লোনা য়াদবা থবক অসিদা চেন্নবশিং চৈরাক ফংহনগদবনি হায়না রিজনদুগী প্রসিদেন্ট মেগেরসানা ফোঙদোকখি।

ঈরাং অদুনা লমদম অদুগী খ্বাইদগী চাউবা ইকনোমি অমসুং নোংচুপলোমগী খ্বাইদগী চেৎপা মীচং লৈবাক অমা ওইরিবা ইথিওপিয়াগী সিক্যুরিটিগী মরমদা অকিবা কয়া পোকহনখি।

লেমাগী কম্মেন্টশিংনা ইথিওপিয়াগী রুলিং ঈ পি আর ডি এফ কোলিসন মনুংদা মচোই মচোই তানবগী ফিভম উৎলি। কুমজা ২০১৫ অমসুং কুমজা ২০১৬ কী প্রোটেষ্টশিংদা মীওই চা কয়া শিখিবদগী ওরোমিয়া রিজনদা লৈতাদবগী ফিভম লাকখি।

# মিলিটেন্টশিংনা কাবুল স্পাই ট্রেনিং সেন্টরদা লান্দাখ্রে



কাবুল, ডিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি):
অফঘান কেপিটেল কাবুলদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা চথুবা খ্বাইদগী নৌবা এটেকতা ঙসি মিলিটেন্টশিংনা ইন্টলিজেন্স ট্রেনিং ফেসিলিটি অমদা এটেক তৌখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা কন্না খূৎ থোক্লখ্রে।

অয়ুক পুং ১০.১০ রোম তাবদা খূৎলায় পায়বা এটেক্কর গ্রুপ অমা কাবুলগী অফসর এরিয়াদা লৈবা এন ডি এস ট্রেনিং সেন্টরগী শাবা লোইদ্রিবা বিল্ডিং অমদা চঙশিনখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নাজিব দানিশনা অফঘানিষ্টানগী স্পাই এজেন্সি - নেসনল ডিরেক্টরেট ওফ সিক্যুরিটিদা রিফরেন্স পীরদুনা হায়খি। 'হৌজিক লান মখা চথুরি অমসুং ঐখোয়গী ওপরেসনসু হৌখ্রে।'

ডেপ্যুটি ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নশরাট রাহিমনা হায়খি, নাকল অনী খূৎ থোক্নবদা নোংমৈ অচৌবা অমসুং মচা কাপ্পগী মখোলশিং তাখি।

'থৌদোক অদুদা এটেক্কর অহুম চেন্নখি অমসুং লালহৌবশিং তকথোকপগী ওপরেসন চথুরি' হায়না স্পোক্সমেন অদুনা ফোঙদোকখি। খুদক্কী ওইনা মীশি-মীনা থোকপগী পাউদি ফংদ্রি।

এরিয়া অদুদা চঙবা লম্বীশিং থিংজিনখি অমসুং পুলিস অমসুং ইন্টলিজেন্স ওফিসর দজন কয়ানা মফমদুদা মী চঙবা থিংখি। থৌদোক থোকফমদগী কিলোমিটর অমা হেনবা মফমদা লৈরিবা এ এফ পিগী পাউমীশিংনা এম্বুলেন্সশিং অমসুং রিইনফোর্সমেন্টশিং থাজিনবা থিংখি।

ঐহাক্না স্কুল চৎলিঙৈদা খঙহৌদনা এটেকতু থোকখি অমসুং য়াম্না থুনা পুলিস লাকখি অমসুং লম্বীশিং থিংজিনখি। কনামত্তা ময়ূম চৎপা য়াহনখিদে হায়না নৱীদ কৌবা মহৈরোয় অমনা এ এফ পিদা হায়খি।

এটেক অদু আই এসনা মসিগী প্রোপেগন্দা মশাগী খুত্থাংদা ক্লেম তৌখ্রে। 'আই এসকী এটেক্কর অনীনা কাবুলদা লৈবা অফঘান ইন্টলিজেন্স সেন্টরদা এটেক তৌখি হায়না জিহাদিষ্টশিংগী অমাক আউটলেটনা ফোঙদোকখি।

হন্দক থা খরসিদা অফঘান কেপিটেল অসি লানগী চৈথেং নংলবা অফঘানিষ্টানগী মীচমশিংগী ওইনা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি। নৌনা পাঙ্গল হাপ্লক্লিবা টালিবান অমসুং আই এস অনীমক্না সিক্যুরিটি ইনষ্টোলেসনশিং অমসুং মোস্কশিংদা টার্গেট তৌদুনা মখোয়গী এটেকশিং কনখৎলকপদগী মীচমশিংদা মীশি-মীনা কয়া থোক্লকখিবনি।

সিটিগী ডিপ্লোমেটিক ক্বার্টরদা অচৌবা ট্রক বোম অমা পোকখায়খিবা মে ৩১ দগী কাবুলদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং কনখৎখি। ট্রক বোম এটেক অদুদা মীওই ১৫০ রোম শিখি অমসুং অয়াম্বনা মীচমশিং ওইদুনা মীওই ৪০০ রোম শোকখি। এটেক অদুবু গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌখিদ্রবসু গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীদি টালিবানগা মীচং ওইনবা হক্কানি নেটৱার্কতা চিংনখি।

# চিলিগী মীখলদা হান্নগী বিলিয়নের প্রসিদেন্টনা মায় পাক্লে



সান্টিয়াগো, ডিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি): হৌখিবা নোংমাইজিংদা পাঙথোকখিবা চিলিগী প্রসিদেন্টকী রনওফ মীখলদা হান্নগী বিলিয়নের প্রসিদেন্ট সেবষ্টসন পিপেরানা ইরাই-লায়না মায় পাকখিবগা লোয়ননা মালেমগী কোপ্পর পুথোকপদা মাঙজিল থারিবা লৈবাক অদু অতৈ লেটিন অমেরিকান লৈবাকশিংগা মান্ননা সেন্টর রাইট লোমদা চঙশিনখ্রে।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি বেলোট অয়াম্বা থীবা লোইশিল্লকখিবদা পিনেরানা অপূনবা ভোটমশিংগী চাদা ৫৪.৬ ফংবদা সেন্টর-লেফটকী সিনেটর অলেজান্দ্রো গুইলিয়রনা চাদা ৪৫.৪ ফংখি।

চয়োল কয়াগী কেম্পেইন অদুদা এনালিষ্টশিংনা য়াম্না নকশিন্ননা লম্বা তৌনরকপা য়াবগী ফিভম অমা উখি। তৌইগুম্বসুং শাংলবা মতমদুদা ওপিনিয়ন পোলগী মওং অমত্তা লৈখিদে। গুইলিয়রনা মহাক্কী সপোর্টরশিংদা মায়থীবা য়াজখি অমসুং মফম থাদোক্লগদবা প্রসিদেন্ট মিচেলি বাচেলেটনা পিনেরাদা ফোন তৌদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি। রিজল্টশিংদু খঙবদগী পিনেরাগী সপোর্টরশিংনা মহাক্কী কেম্পেইন হেদক্বার্টরসতা সেলেব্রেসন পাঙথোকখি।

লৈবাক শিন-থুংবদা মীওই কয়ানা লম্বীশিংদা ফিরালশিং হাইনখি অমসুং বেন্নরশিং পায়খি। অতৈনা কার হোর্নশিং খোংখি অমসুং হান্না ২০১০-২০১৪ দা চিলিদা লৈঙাকখিবা হান্নগী এয়রলাইন মেগনেট অসিগী মমীং লাউখি।

মশাগী চহী ৬৮ শুরবা পিনেরা হৌখিবা থাগী অহানবা রাউন্দগী মীখলদা মায় পাকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না ভোট চাদা ৩৬.৬ ফংখিবদু পোল কয়াদা প্রোজেক্ট তৌখিবদগী য়াম্না তাখি। অহানবা রাউন্দদা গুইলিয়রনা চাদা ২২.৭ ফংখি অমসুং অতৈ লেফটকা নকশিন্নবা কেন্দিদেটশিং শৌগৎপশিংদগী বেকিং ফংগনি হায়না থাজখি। মমৈদদি কেন্দিদেটশিংদু মায়থীখি।

মশাগী চহী ৬৪ শুরবা গুইলিয়রবু বাচেলেটনা শৌগৎখি, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মীৎয়েংখাদা লৈবাক অদুবু শেল-থুমগী লমদা খুমাঙ চাওশিনহনবা ঙমখিদবদা চিলিয়ন কয়া পেন্নখিদে। চিলিগী শেল-থুমগী য়াঙলেন শরূ ওইরিবা কোপ্পরগী মমল মালেমগী ওইনা হন্থরকপদগীসু প্রোব্লেমদু থোকখিবনি। লেফটিষ্ট কয়ানসু লেবর অমসুং এদ্যুকেসন পোলিসিশিংদা অহোংবা কয়া লৈহনগনি হায়বা মহাক্কী ৱাশকশিং ঙাক্ত্রে হায়না খন্নখি।

# নুংশিৎ তপথরকপদগী কালিফোর্নিয়াগী লম্মৈ চাকপা থেংনবদা মতেং পাংবা য়ানা লৈরে



সক্রামেন্টো, ডিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি):
চয়োল অসিগী অঙনবদা নুংশিৎ খরা তপথরকপদগী কালিফোর্নিয়াগী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাউবা অমসুং খ্বাইদগী মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইরবা লম্মৈশিংগী মনুংদা অমা থেংনরিবা ফায়র ফাইটরশিংবু মতেং পাংলগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না নেসনল ৱেদর সর্ভিসনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবা ফাওবদা ফায়রফাইটর ৮,৫০০ হেনবনা সাউদর্ন কালিফোর্নিয়াগী লম্মৈ চাদা ৪৫ রোম লাকশিনখি। থোমাস ফায়র হায়না খঙনবা অচৌবা লম্মৈ অদু ডিসেম্বর ৪ দগী হৌখি অমসুং মদুনা লোস এঞ্জেলিসকী অৱাংলোমদা লৈবা ফজরবা পেসিফিক কোষ্টকী পরিংদা একর ২৭০,০০০ (হেক্টর ১০৯,০০০) চাকখ্রে।

লম্মৈ অসিগী পাক চাউবসি ষ্টেট অসিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাউবা ওইরিবা কুমজা ২০০৩ গী সেদর ব্লেজগা মান্নরকপা য়াবগী মওংদা চাক্লকখি। সেদর ব্লেজদা একর ২৭৩,২৪৫ চাকখি অমসুং মীওই ১৫ শিখি।

নুংশিৎ অমসুং লো হ্যুমিদিটিগী ফিভমনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা মৈ চাকপগী ফিভম লাকহনবা য়ারবসু নোং-চীংগী ফিভমশিং ফরকপনা ফায়রফাইটরশিংগী থবক্তা মতেং পাংবা য়াই। মরুওইনা নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপদা মখোয়গী থবক্তু প্রোগ্রেস লৈরকপা য়াই হায়না নেসনল ৱেদর সর্ভিসনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, নোংমাইজিং নুমিৎতা খরা মবুক মরা তপ্পা নুংশিৎশিংনা শাথীরবা লম্মৈদু থেংনরিবা ফায়রফাইটরশিংগী থবক্তা মতেং পাংখি। ব্লেজ অদু ইষ্টর্ন কালিফোর্নিয়াগী লৈকংলাশিংদগী শিৎলকখিবা শাথীরবা সান্টা অনা নুংশিৎনা হেন্না চাউথোকহনখিবনি।

লম্মৈ চাকপদুদা ষ্ট্রকচর ১০০০ হেন্না মাঙহন-তাকহনখ্রে অমসুং অতৈ ১৮,০০০ চাক্লকপা য়াবগী ফিভম লৈখি। দাউনটাউন লোস এঞ্জেলিসকী অৱাং নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ১৬০ রোম লাপ্পা মফমদা থোক্লিবা লম্মৈ চাকপদুনা মরম ওইদুনা মীওই ১০৮,০০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি।

# চাক্লেন মফমদা নেৎখাইনবদা মীওই ১০ শিরে

ধাকা, ডিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি):
ঙসি বাংলাদেশকী সাউদর্ন সিটি চিতাগোংদা অচৌবা মীতিন অমদা মীয়াম মরক্তা নেৎশিন্নবা অমসুং চপখাইনবা থোকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিখ্রে অমসুং ৩০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

হান্নগী মেয়র অমসুং অৱামি লীগকী সিনিয়র লীদর মোহিউদ্দিনগী লৈরোল চনবগা মরী লৈননা তিনখিবা মীওই লীশিং কয়ানা লাই খুরুম্নবা অমসুং চাক্লেনগীদমক্তা চেনশিন্নবদা মীশি-মীনাশিংদু থোকখিবনি।

এ এফ পি ন্যুজ এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা পুলিসকী ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, অশোকপশিংদুগী মনুংদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ অরুবা ফিভমদা লৈবনা অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই।

বাংলাদেশকী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সিটিদুগী টর্ম অহুল্লক মেয়র ওইখিবা মোহিউদ্দিন হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা মশাগী চহী ৭৩ শুবদা শিখি।

হান্নগী সিটিগী মেয়র অদুবু নীংশিংদুনা লাংলিবা অচৌবা চাক্লেনগীদমক্তা কম্যুনিটি সেন্টরদা তিনখিবা মীয়াম তানখাইবদা পুলিসনা বেটনশিং শীজিন্নখি হায়রি।

লোকল পাউচে দেলি ষ্টারনা হায়খি মদুদি থৌদোক অদু মশিং য়ামদবা হিন্দু কাঙলুপকী য়েংদুনা জমাল খান এরিয়াদা পাঙথোকখিবা নীংশিং থৌরম অমদা থোকখিবনি।

মুস্লিমগী চৎনবীগী মতুং ইন্না মোহিউদ্দিনগী ইমুং অমসুং পার্টিনা অচৌবা চাক্লেনদু লাঙখি অমসুং মফম কয়াদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০০,০০০ তিনখি।


# গজাদা লৈবা হমাসকী টার্গেটশিংদা এটেক তৌখ্রে

জেরুসালেম, ডিসেম্বর ১৮ (এজেন্সি):
গজাদগী চথুরকখিবা রোকেট ষ্ট্রাইকশিংগী পাউখুম ওইনা মফমদুদা লৈবা হমাসকী ট্রেনিং কম্পাউন্দ অমদা এটেক তৌখ্রে হায়না ইজরেলি মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে। য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা হৌখিবা ডিসেম্বর ৬ তা রিকগনাইজ তৌখিবদগী পলিষ্টিনিয়ন এনক্লেভ অদুদগী রোকেট এটেকশিং কনখৎলকখিবনি।

য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা ইজরেল অমসুং গজাগসু বোর্দর তাইনবা য়ূল্লোন্নবা ইজিপ্টতা চৎকদবা নুমিৎ খরনিগী মাঙওইননা অহিং অমদা থোক্লিবা সেলিং এক্সচেঞ্জ অদুদা নাকল অমত্তনা মীশি-মীনা থোকপগী পাউদম পীখিদে।

হমাস ইস্লামিষ্ট গ্রুপনা কন্ট্রোল তৌবা টেরিটরি গজাদগী মিলিটেন্টশিংনা হৌখিবা চয়োল অনীসিদা সাউদর্ন ইজরেলদা রোকেট দজন অমা হেন্না কাপশিনখ্রে। মদু কুমজা ২০১৪ দা শোক্নখিবা চয়োল তরেৎকী গজাগী লান অদুদগী খ্বাইদগী শাথীবা এটেক ওইখি।


## ঐনকো সুধাকরবু নুংশিনা থাগৎপীবনে



L. Sudhakar

ঐগীকো RIGHT KIDNEY দা নূঙ অমা লৈবীবদগী সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈপীবা **সুধাকর** (অপোকপা নবকিশোর) গীকো হিদাক হপ্তা অমখক্তা চাবদগীনে ঐঙোন্দগীনে নূঙ অদু তাহনবীবনে। অদুদা ঐনা নুংঙাইপনা মাবু পাউচেগী থোংদা থাগৎপীবনে।

**Sd/- PEINING**
Khuman Lampak/Gaipuinam Near I.S.B.T

HL-P/4821/19

## শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, কোক নাকন নাইনা চিকপা নাবা, ঙকশম মরি নাবা, নুংশা মঙাল উরগা কোক নাবা হেনবা, নপ-তিন তাগনবা ফহনবগী ওজা MV AZAD PHUSAM বু থাগৎচরি



ঐ মতম শাংনা সাইনসনা নাদুনা নাতোন মনুংদা ফুঞ্জিল্লগা শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, কোক নাকন নাইনা চিকপা-নাবা, ঙকশম মরি নাবা, নুংশা মঙাল উরগা কোক নাবা হেনবা, নপ-তিন তাগনবা, লোক য়াম্না খুবা, লোক তোয়না থুংবা অমদি ৱা ঙাঙবদা খোঞ্জেল শেংদবা, গুলি চারবসু ফত্তবা, নাতোন্দা মনম ইফাও ফাওদবা অমদি চাবা থকপদা মহাও খঙদবা, মীৎ মরি, নাতোন অমদি কোক পুল্লপ পানরগা নাকন নাইনা তোয়না চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা পূম্বা ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু মতম চুপ্পদা কাউজরোই। মহাকপু পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal.
2. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar.
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9.

*থাগৎচরিবী :* **N. Indira**
Serou

HL-P/241/19

## SMART TUTORIAL CENTRE

RUN BY WELL TRAINED, BOARD & COUNCIL OF EXPERIENCE TEACHER.

Sir IBOCHOUBA M/M Manipuri; Sir HEMANTA MATHS; E.Binarjit Meitei MATHS; N.DEBEKA SINGH ENGLISH; H.CHINGLEN SINGH ENGLISH; BIRBAL SOCIAL SCIENCE; L.SUNITA DEVI SOCIAL SCIENCE; TH.SHAMUNGOUBA SOCIAL SCIENCE; L.LANSHONI DEVI BIOLOGY; Sir GOPINATH; Sir BACHAA BIOLOGY; CHEMISTRY; Sir MENSUPA PHYSICS; Sir RAJESH ENGLISH

Facilities
VAN SERVICE
&
HOSTEL

ADMISSION OPEN 2ND REVISION COURSE FOR CLASS X

1) X START ON 14th DECEMBER 2017 CLASS TIMING 10 a.m to 3.30 p.m
2) FOUNDATION COURSE FOR CLASS IX & X START ON 21st DECEMBER 2017 CLASS TIMING 4 p.m to 7 p.m.

DETAIL PLEASE VISIT STC OFFICE SINGJAMEI SUPER MARKET. ## 8730999192/7640861780

HL-P/4656/23 Dec.(alt.)

## ANGELS' COACHING CENTRE

URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - Class X Revision   Starts: 7th Dec. 2017   Time : 11:00 am - 4:00 pm
Foundation Course for Class VI to X   Starts: 21st December 2017 (Morning & Evening)   Limited Seat

TOPPERS of 2017

1st Position Priyanka M. D/o. M. Humeshwar & R.K. Raina; 4th Position Rozaria Th. D/o. Th. Joychandra & R.K. Mirabai; 4th Position Khushi Kh. D/o. Kh. Rakesh & Rita Devi; 6th Position Micheal A. S/o. A Hemanta & Ranjana Devi; 8th Position Bideli Devi D/o. A. Deben & M. Bimola Devi; 9th Position Md. Swadique S/o. Md. Mujibur Rh & Mrs. Sakila; 9th Position Robinson Kh. S/o. Iboyaima Kh. & Y. Renubala Devi; 9th Position Russel Ch. S/o. Johnson Ch.; 13th Position Th. Yaiphabi D/o. Bhagat Th.

14th Position Siddhant W. S/o. W. Nabakumar; 15th Position Neelima N. D/o. N. Surjit Singh; 17th Position Krishnand L. S/o. L. Robindro; 20th Position K. Hennae D/o. K. Debadutta; 21st Position M. Thoibisana D/o. M. Bimol; 21st Position Tina Th. D/o. Shaphaba; 21st Position R.K. Kebisana D/o. R.K. Deepak; 22nd Position Guigaingam K. S/o. Titus Kamei; 23rd Position Ng. Babyka D/o. Ng. Bikramjit; 23rd Position Meghila T. D/o. T. Meghachandra

TOPPERS of 2016

1st Position Sohana Laishram; 2nd Position Naorem Suzanna; 3rd Position M. Vasundhara; 8th Position Wosoron C; 9th Position Sindia A; 10th Position Yaisana A; 10th Position Chetanna RK; 11th Position Selina K; 12th Position Malemnganbi Kh; 12th Position Joyson Haokip; 14 Position Jessica L; 15 Position Tanya G; 16 Position Ningthem H; 20 Position Eunice Y; 21st Position Th. Krishnakant; 22nd Position Sylvest K; 23rd Position Reeturani L; 23rd Position K. Ghanappari; 24th Position Themson Saka; 25th Position Taibanganbi Kh

BOARDING FOR BOYS & GIRLS

Pliz Contact : 9856988840 - 9402897710 - 8732022342   VAN AVAILABLE

HL-B/4253/3Nov-2Jan..

## SCM S. CHAOBA MEMORIAL ENGLISH SCHOOL

SINGJAMEI KONGBA ROAD IMPHAL EAST (NEAR SINGJAMEI BRIDGE)

NO DEPOSIT SYSTEM NO LODGING CHARGES
ADMISSION OPEN
FREE ADMISSION FROM PRE-NUR TO CLASS I

admission fees will be refunded if no improvement of the boarders by holi vacation

+91 8974 052 662

Founder
MA Gold Medalist & BT
Retired Lecture, Ram Lal Paul Hr. Sec. School

FACILITIES
1. Free monthly tuition fee for one out of three students from a same parent
2. Half tuition fee for one out of two students of the same parent
3. Free tuition fee for first position holder of every class scoring more than 85% marks
4. First position holder of Class IX student securing 85% mark in promotion exam will be given free studentship including messfee.
5. Top 3 students in pre-board exam securing 85% and above will be given cashaward for special coaching.
6. Thang Ta, Higher Math , Home Science classes as optional classes
7. Boarder's Admission will be refunded if no improvement till FA1 exam.
8. One boarding master for every 25 students
9. Separate study room for class X boarders
10. Available Aqua-guard drinking water for all students.
11. Free studentship for students whose parents are undergoing cancer treatment.

WANTED TEACHER FOR CLASS IX & X

| No. of Teacher | Qualification | Category | Mode of Interview : |
|---|---|---|---|
| 2 | B.Sc./M.Sc. | Physics/Chemestry | Class Demonstration on 7 Jan. 2018 Time : 11:00 a.m. at School Office |
| 1 | BA/MA | English | |
| 1 | B.Sc./M.Sc. (Royal) | Maths | |

*Teachers Application form will be available from School Office between 11:00 a.m. to 2:00 p.m.*

HL-P/4807/14 Dec-26Jan. (Alt).